# কেমেরা পানবা হেলমেটশিং উপ্পা মোতোরসাইকল স্কৱাদনা অমরনাথ যাত্রিশিং ঙাক-শেনগদৌরি



***ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ ঃ***

চহী অসিগী অমরনাথ যাত্রাবু করিগুম্বা অশোয়-অঙাম অমত্তা থোকহন্দবা খোঙচৎ ওইহন্নবগীদমক যুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং অমত্তা ৱাৎতনা থৌরাং তৌখ্রে।

সেক্যুরিটি পার্সোনেল পাক-চাওনা দিপ্লোয় তৌবা অমসুং গারীশিংদা রেডিও ফ্রিক্যুন্সি আদেন্টিফিকেসন টেগশিং শীজিন্নবগী মথক্তা লৌখৎলিবা সেক্যুরিটিগী থৌরাং অসি শরুক অমা ওইনা গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা মোতোরসাইকল স্কৱাদ অমসু হাপচিন্নবা থৌরাং তৌখ্রে। স্কৱাদ অসি সি আর পি এফ পার্সোনেলনা শাগনি অমসুং মখোয়না লাই খুরুম্বা খোঙচৎ অসিদা লাক্লিবা মীওইশিংবু কাঙলুপ-কাঙলুপ ওইনা জম্মু বেজ কেম্প ফাওবা এস্কোর্ট তৌদুনা থিনগনি।

লম্বীদা থোকপা থৌদোক খুদিংমক রেকোর্দ তৌনবা স্কৱাদ অসিগী পার্সোনেলগী হেলমেটশিংদা কেমেরা অমমম পানগনি। টু-হুইলরশিং অসিনা এটেক অমা তৌরকপা নৎত্রগা খুদোংথিবা অমা থোক্লকপদা থুনমক তেংবাংনবা চঙশিনবদা মতেং পাংগনি। খুদক্কী-লায়েং দরকার ওইরকপা মতমগীদমক মখোয়না ফার্ষ্ট এইদ আইতেমশিং পুগনি।

অমরনাথ যাত্রিশিং পুবা গারী খুদিংমক গারী অদু মশক খঙবা ঙম্নবা রেডিও ফ্রিক্যুন্সি আইদেন্টিফিকেসন টেগ নৎত্রগা আর এফ আই দি অমা শোয়দনমক হাপকদবনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা য়াথং পীখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা লাই খুরুম্বা চৎপা খোঙচৎ অমা ওইরিবা অমরনাথ যাত্রা অসিবু ঙাক শেনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা হেন্না কোওর্দিনেসন লৈহন্নবা হোম মিনিষ্ট্রিনা বলতাল অমসুং পেহলগাম অনীমক্তা লৈরিবা যাত্রা অসিগী বেজ কেম্পশিংদা জোইন্ট কন্ট্রোল রুম অমমম লীংখৎনবসু হোম মিনিষ্ট্রিনা ৱারেপ লৌখ্রে।

অমরনাথ যাত্রিশিং পুবা গারী পূম্নমক হেন্না চেকশিনবা সেক্যুরিটিগীদমক মখোয়বু কূপ্না মোনিটরিং তৌবা য়ানবা আর এফ টেগ অমা হাপকদবনি হায়না লাই খুরুম্বা চৎখিবা খোঙচৎ অসিগীদমক শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবদা য়াওরিবা ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

আর এফ টেগ অসিনা মসিবু পাল্লিবা পোৎশকশিং অদু ওটোমিটিক ওইনা আইদেন্টিফাই তৌনবা অমসুং খোঙ্গুল লীনবা ইলেক্ট্রোমেগ্নেটিক ফিল্ডশিং শীজিন্নৈ হায়না হায়রি।

ওটো মোবাইল অমদা হাপচিনবা আর এফ টেগ অমনা গারী অদুগী খোঙচৎ অদু কদায় ফাওবা য়ৌরবগে হায়বা খঙবা ঙমহনগনি হায়খি।

# মেঘালয়ানা তপ্না-তপ্না ইন্দিয়াদা হেরোইন য়েম্থোকপগী মকোল ওইরক্লি

***শিল্লোং, জুন ২৬ ঃ***

য়াম্না খুদোংচাবা মফম অমদা লৈবগা লোয়ননা মেঘালয়ানা তপ্না-তপ্না লৈবাক অসিগী মনুংদা হেরোইন দ্রগ য়েম্থোকপগী মকোল ওইরক্লি। ষ্টেট অসিগী কোনুং শিল্লোংনা দ্রগ অসিগী ট্রান্সিফ পোইন্ট ওইরি হায়না ইষ্ট খাসি হিলস সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দেভিস এন আর মারাকনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টর্নেস্নেল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিক্কিং ২০১৮ গী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমদা ৱা ঙাংবদা এস পি মারাকনা হায়খি, শিল্লোংনা ট্রানসিট পোইন্ট ওইদুনা মিলিটেন্টকা মরী লৈনবা নৎত্রগা হান্না মিলিটেন্ট য়াওরম্বা খরা য়াওনা দ্রগ ললোনবা মীওই কয়ামরুমনা মখোয়গী এন্টি-সোসিয়েল এক্টিভিটিজশিংগী ফন্দ তান্নবা দ্রগ ললোনবগী করবার চৎখে।

শিল্লোংগী য়ু সোসো থাম ওডিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অদু মেঘালয়া এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি, কে জে পি এ ন্যু হোম দি-এদ্দিক্সন সেন্টর, শিল্লোং অমসুং অতৈ ষ্টেকহোলদরশিংগা খূৎশম্নরগা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ওফিসার ইষ্ট খাসি হিলস, শিল্লোংগী ওফিসনা শিনবনি। মদুদা স্কুল কয়ামরুম শরুক য়াখি।

ইন্টর্নেস্নেল দে অসিগী চহী অসিগী থিমদি অঙাংশিং অমসুং নহারোলশিংগী ৱা তাবিবনা মখোয়গী হকশেলগী অমসুং তুংগী শাফনবগী অহানবা খোঙথাংনি হায়বসিনি।

এন ই আই জি আর আই ঐচ এম এস, শিল্লোংগী সায়কিয়াট্রি দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডাক্তর অর্বিন্দ নোংপুইরনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী অমাঙবশিংগী মতাংদা ফোঙদোকখি অমসুং অয়াম্বা থৌদোক্তা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা অসি চহীগী অঙনবা মতমদগী হৌই হায়খি।

দ্রগ লান্না শীজিন্নবসি শুপ্নগী সোসিয়েল প্রোব্লেম অমা ওইরক্রে। মসি ঙসিদি অনাবা অমা ওইনা লৌরে অমসুং নীংথিজনা হিদাক পীজদুনা লায়েংলবদি দ্রগ এদ্দিক্সন অসি লায়েংদুনা ফহনবা ঙম্লে হায়খি।

# অঙাংশিং কনবদা বস ড্রাইভর শিখ্রে



***মুম্বাই, জুন ২৬ ঃ***

নোং কন্না চুবা মরক্তা পোথোল অমদা পুখদুনা লৈখ্রবা অঙাং অনী কন্নবা হোৎনবদা স্কুল বস ড্রাইভর অমা মহারাষ্ট্রগী পলঘরদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা শিখ্রে।

ড্রাইভর অদুগী মমিং প্রকাশ বালু পটিল (৪০) কৌই। নুমিৎ খুদিংগী বিরার স্কুলগী অঙাংশিং থিনবনি ঙরাং অঙাংশিংবু মহাক্না স্কুলদগী ময়ূমদা পুরকপা মতমদা নোং চুথরকপগী ঈশিংগী ঈচেল কন্না চেত্থরকপদগী থুম্লবা দ্রেল অমদা মাগী গারী অদু পুখখি। চৈরক অদুদা বস অদুদগী অঙাং অনী কুমথখ্রগা নোংগী ঈশিং অদুদা শান্নবা হৌখি হায়না পাউগী এজেন্সিশিংনা ফোঙদোক্লি।

অঙাংশিংদুনা অদুম্না তৌবদু উবদগী ড্রাইভর অদুনা মখোয়বু গারীদা অমুক হাপকৎনবা থুনমক চঙশিনখি অদুবু অঙাংশিং অদু পোথোল অমদা পুখবদগী চৎপা ঙমদনা লৈরম্বা থেংনখি। অঙাংশিং অদুবু কন্নবা ড্রাইভর অদুনা হোৎনখি। অদুবু লাইবক থিবদি ঈশিংগী ঈচেল অদুদা মহাক ঈরাক্লখি।

অঙাং অনী অদু ঈশিংগী কাখৎপা ঙমদনা ঈরাক্নদুনা লৈবা উবদা মহাক্না মশাগী করিমক্তা খঙদনা গারীদগী চোংথরগা অঙাংশিং অদুবু কন্নবা চঙশিনখিবনি হায়না অরমালা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার অমনা হায়খি।

বস ড্রাইভর অদুগী অশিবা হকচাং অদু ফাইয়র ফাইটরশিংনা কোন্না লৌখৎলকখ্রে। মহাক্কী লোয়নবী, অঙাং অহুম অমসুং মমা মপাশিং লৈহৌরি।

# এল টি টি ই গীনি চিংনবা নোংমৈশিং, বোমশিং অমসুং নোংমৈ-মরুশিং ফংলে

***রামেসোরম, জুন ২৬ ঃ***

রামেসোরম দিষ্ট্রিক্টকী থাঙ্গচিমাদাম এরিয়া মনাক্তা লৈবা ইমুং অমদা সেপ্টিক টেঙ্ক অমা তৌবদা লোৎতুনা থম্লম্বা নোংমৈ মরুশিং য়াওবা উপু ৫০ হেন্না ফংলে। মসিদা নত্তনা লাইট মেছিন গন ৪১, মেছিন গন ২২, লেন্দ মাইন দিতোনেতর ৫ অমসুং দিতোনেতর লোঞ্চর কয়ামরুম ফংলে।

ফংলিবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা এস এল আর বোক্স ১, ফ্যুজ ৱায়ার মশাং ৮ অমসুং দায়নেমো মোতোর ৮ সু য়াওরি হায়না রামানাথপুরম সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ওম প্রকাশ মীনানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অদুনা পাউমীশিংদা হায়খি, য়ূম অদুদা লৈবরিবা মীওইশিং অদুনা মখোয়না সেপ্টি টেঙ্ক ওইনবা লৈবা তৌথরকপা মতমদা মখোয়না থেংনরিবা অঙকপা পোৎশিং অদুগী মতাংদা পুলিসতা খুদক্তা পাউ পীরকখি। পাউ অদু ফংলবা তুংদা মফম অদুদা পুলিস টিম থাজিনখিবনি।

য়াম্লবা খূৎশু-খূৎলাই ময়াম অমা ফংলিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংদসু পাউ পীখ্রে হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অদুনা মখা তাখি।

য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতগী অখন্নবা পুলিসকী এক্সপার্ট টিম অমা খূৎশু-খূৎলাইশিং অদু করম্বা মখলগীনো অমসুং মতৌ করম্না মফম অদুদা লৈরম্লিবনো হায়বদু থিজিন্ননবগীদমক রামেসোরমদা থুনমক থুংলরগনি হায়না এস পি ওম প্রকাশ মীনানা ফোঙদোকখি।

পাউগী এজেন্সি অমগী মতূং ইন্নদি লোৎলম্লিবা খূৎশু-খূৎলাইশিং অদু এল টি টি ই (লিবরেসন টাইগরস ওফ তামিল ইলাম) না শ্রীলঙ্কা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লান হৌরিঙৈ মতম কুমজা ১৯৮০ গী চহীশিংদা মফম অসিদা মখোয়গী মীওই খরা ফাখি। ফাখিবা এল টি টি ই গী লানহৌবশিং অদুনা হন্দক ফংলিবা খূৎশু-খূৎলাইশিং অসি লোৎশিল্লম্বা নৎত্রগা খুদোংচাদবা অমদগী হুন্দোক্লম্বা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

লিবরেসন টাইগরস ওফ তামিল ইলাম (এল টি টি ই) গী সুপ্রিম লীদর ভেলুপিরাই প্রভাকরনবু শ্রীলঙ্কা আর্মিনা কায়নথংদা হাৎখ্রবা মতূংদা মখোয়গী লানহৌ অদু লোইশিনখিবনি। মখোয়না শ্রীলঙ্কাদা তামিলশিংগী তোঙানবা নীং তম্বা লৈবাক অমগীদমক লান হৌরম্বনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়াগী অকিবা পীরম্বদু লোইখ্রে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা লাওথোকখ্রে

***ৱাসিংতন, জুন ২৬ ঃ***

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন গা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রবগী মতূংদা হৌজিক নোর্থ কোরিয়াদগী ইতৎ-তক্তনা পীরক্লম্বা ন্যুক্লিয়াগী অকিবা অমা মখা তানা লৈত্রে হায়না ট্রম্পনা লাওথোকখ্রে।

অদুবু লুচিংবা অনী উন্নখিবা মতম অদুদা পিয়োংয়াংনা করম্বা মওংদা করম্বা মতমদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোক্কনি হায়বগী চপ চাবা গরেন্টি পীবদি লৈখিদবনি।


অশাংবা খোঙচৎ অমদগী কুমথরক্লে, অদুবু ঐহাক্না ওফিস পায়খিবা নুমিৎ অদুদগীদি হৌজিক মীপুম খুদিংমক্না য়াম্না হেন্না শাফবা ফাওরম্লগনি হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ট্যুটরগী খুথাংদা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, হৌজিক মখা তানা নোর্থ কোরিয়াদগী ন্যুক্লিয়ানা কিহল্লকপা লৈত্রে। কিম জোং উন গা উন্নখিবা অদু নুংঙাইবা অমসুং য়াম্না অফবা খোঙথাং অমা ওইখি। তুংদা লাক্কদৌরিবা মতমগীদমক নোর্থ কোরিয়াগী অচৌবা উৎথোক্লিংঙাই ময়াম অমা লৈরি।

পিয়োংয়াংগী মশক থোক্লবা খূৎশু-খূৎলাইগী পুক্কে অদুগী খল্লুরগদি নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ারগী অকিবা অমা মখা তানা পীদ্রে হায়বসি ৱাহং হংনিংঙাই ওইরি। কনামক্তগী অফা-অপুন লৈতবা মনীংতম্বা এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকপদা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার বোম ১২ দগী ৬০ ফাওবা শানবগী মতিক চাবা মচাক মথুম লৈরম্বা য়াই। হৌখিবা চহীদা য়ু এস মেনলেন্দ ফাওবা য়ৌবা ঙম্বা অশাংবা লোংরেন্দ মীসাইলশিং নোর্থ কোরিয়ানা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে। অদুবু এটমোসফিরদা অমুক হন্না ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ অমা কাপ্পা অমসুং মদু মাগী অপাম্বা তার্গেটতা থানবগী টেক্নোলোজি অদু লৈরবা হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

ট্রম্প অমসুং কিম না ন্যুক্লিয়ার লৈতবা কোরিয়ান পেনিন্সুলা অমা ওইহন্নবগী লম্বীদা চঙশিন্নবা থবক তৌগনি হায়বা মমাঙদা শকখিবা ৱাশকশিং অমুক হঞ্জিনবা ৱাশক য়াওবা অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমা সহি তৌনখি। ষ্টেটমেন্ট অদুগী মরীক চুম্বা ৱারোল অমত্তা খঙদ্রি।

মতম শাংনা নাইতোম তাদুনা লাক্লবা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা থল্লিবা য়ু এস সেঙ্কসনশিং অদু লৌথোক্ত্রিঙৈ ফাওবদি য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াবু মপূং ফানা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোকহন্নবগী মহাক্কী দিমান্দ অদুদগী হন্দোকখ্রে হায়না নোর্থ কোরিয়ানা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

সিঙ্গাপোর এগ্রিমেন্ট অদুনসু নোর্থ কোরিয়াবু মখোয়গী মিসাইল ইঞ্জিন টেষ্টিং সাইট অমা শীদোক্লবগী মপূং ফাবা প্লানশিং য়াওদে।



# গ্রীন গোল্ড ঃ পাকিষ্টান্না উ পাম্বী মিলিয়ন চা কয়া থাখ্রে



***হেরোসাহ, জুন ২৬ ঃ***

হান্নদি অকংবা চীংগী লমদম ওইরম্বা হেরোসাহ লমদমগী অকোয়বদা অহোংবা অমা লাকখ্রে। অৱাং নোংচুপ থংবা পাকিষ্টানগী লমদম অসিদা ঊমং মাঙশিল্লকপা থিংননবা উ পাম্বী মিলিয়ন চা কয়া থাখ্রে।

কুমজা ২০১৫ অমসুং ২০১৬ তা লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা চাংদা অমসুং মওং কয়াদা য়াম্না থুনা চাওগনবা য়ুকেলাইপতস পাম্বী ৯০০,০০০ হেন্না থাখ্রে। পাম্বীশিং অদু মীওই ১৬,০০০ হেনবনা থাখিবনি। অদুবু অসুক চাওবা থবক অসি খায়বর পাখতুনখৱা প্রোভিন্সকী মফম পায়খৎকদৌরিবা চাওরবা থবক অদুগী মচেৎ অমা খক্তনি।

মসিগী মমাঙদদি মফম অসি মপূং ফানা মৈনা চাকথেকখ্রবা লমদম অমা ওইরম্মী। হৌজিক্তি মখোয় অসি ঐখোয়গী খূৎতা গ্রীন গোল্ড ওইরে হায়না হান্নগী ওইরম্বা মফম অদুগী পিকচরশিং উৎপগা লোয়ননা ফোরেষ্ট মেনেজর পরভাইজ মনানা ফোঙদোকখি।

অনৌবা ঊপালশিং অসিনা লমদম অসিগী ফজরবা মশক অদু অমুক নৌহৌনা য়েনীং হুল্লনলগনি, ইরোজনগী মায়োক্তা লাকশিন্নবা পাম্বৈ অমা ওইরগনি। ক্লাইমেট চেঞ্জ মাঙহনবদা মতেং ওইরগনি। ঈশিং-ঈচাও থোকপগী চাং হন্থহল্লগনি হায়না লমদম অদুদা নৌনা থাখিবা ঊপালশিং চাওখৎলকপদু য়েংশিল্লিবা ফোরেষ্ট মেনেজর অদুনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্তি ঐখোয়গী চীংশিং অসি য়াম্না কান্নরে। ঐখোয়গী লম্মাংশিংদু কান্নবা ওইরক্লে। মসি ঐখোয়গীদমক্তি ঙমখৈ লৈতবা কান্নবনি হায়না ড্রাইভরদা শিনফম ওইবা আজবির সাহনা হায়খি।

কুমজা ২০০৬ তগী ২০০৯ ফাওবগী মনুংদা পাকিষ্টানগী তালিবানন্না পাল্লিঙৈদা ফিভম শোকহল্লম্বা অৱাংবা লমদমগী তম্পাকশিং অদু হৌজিক্তি উচান পাম্বীশিংনা পুংশং শংনা কুপখ্রে হায়না অতোপ্পা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট ৱার্কর য়ুসুফা খাননা হায়খি।

# ত্রেনিংদা পাক এয়ারফোর্স জেট ক্রাস তৌবদা পাইলোট ২ শিখ্রে

***ইস্লামাবাদ, জুন ২৬ ঃ***

হন্দক চয়োল খরগী মনুংদা অনীশুবা ক্রাস ওইনা পাকিষ্টান এয়ারফোর্সকী রুটিন মিসন অমগী মনুংদা পেসাৱার এয়ারবেজদা ত্রেনিং জেট ক্রাস তৌবদা ঙসি পাইলোট অনী শিখ্রে।

চিনানা শাবা এফ টি-৭ পি জি ত্রেনিং এয়ারক্রাফ্ট অদু রুটিন ওইবা ওপরেস্নেল ত্রেনিং মিসন অমদা পাইরিঙৈদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সনা থোকপা ষ্টেমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অহানবদদি প্লেন ক্রাসকী থৌদোক অদুদা মী শিবগী থৌদোক থোকখিদে হায়খি। অদুবু কোন্নথংদা পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সকী ওফিসিয়েলশিংনা জেট প্লেন অদুগী পাইলোট অমসুং কো-পাইলোট অদু খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ক্রাস অদুগী মরম খুদক্তা খঙবা ঙমদ্রি। মরম অদু কঙননবা এয়ার ফোর্সনা থিজিনবগী থবক চখনবা লাওথোকখ্রে। অদুম ওইনমক মেদিয়াগী রিপোর্টশিংগী মতূং ইন্না টেক্নিকেলগী অশোয়বা অমদগী প্লেন অদু ক্রাস তৌখিবনি হায়খি।

বাচা খান ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্টকী অনকপদগী অমুবা মৈখু কাখৎলকপা উখি। থৌদোক অদুগী মতূংদা এয়ারপোর্ট অদুদা ইমর্জেন্সি পাঙথোকখি।

## GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : Upto Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 06/06/18
Valid : 04/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 14/05/18
Sl. No. 218740
Valid : 08/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 26/05/18
Valid : 10/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**M M Gas**
Booking : 01/06/18
Valid : 25/05/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 811.50/-

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 23/05/18
Valid : 21/05/18
Sl. No. 5130
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 25/05/18
Valid : 23/05/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 08/05/18
Valid : 03/05/18
Sl. No. 10245
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**সনা-সুদোকু -১২০৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 2 | 1 | 3 | 7 | 8 | 9 | 4 |
| 1 | 9 | 8 | 2 | 4 | 5 | 7 | 6 | 3 |
| 7 | 4 | 3 | 6 | 9 | 8 | 1 | 5 | 2 |
| 3 | 7 | 1 | 9 | 8 | 2 | 5 | 4 | 6 |
| 8 | 2 | 4 | 3 | 5 | 6 | 9 | 1 | 7 |
| 9 | 6 | 5 | 4 | 7 | 1 | 3 | 2 | 8 |
| 2 | 3 | 9 | 8 | 1 | 4 | 6 | 7 | 5 |
| 4 | 8 | 7 | 5 | 6 | 9 | 2 | 3 | 1 |
| 5 | 1 | 6 | 7 | 2 | 3 | 4 | 8 | 9 |

# ইন্দিয়ানা লৈবাকসিগী ওইনা ইহান হানবা ত্রাইবেল ক্যুইন কন্টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

***ভুবনেশ্বর, জুন ২৬ ঃ***

অসিগুম্বা মখলগী খ্বাইদগী ইহান হানবা থৌরম ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা উরিষ্যাগী ভুবনেশ্বরদা ‘‘আদি রাণি’’ ২০১৮, কালিঙ্গা ত্রাইবেল ক্যুইন কন্টেষ্ট পাঙথোকখ্রে অমসুং ত্রাইবেল লৈশাবী ১০০ হেনবনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখ্রে।

তোঙানবা মশক্কী কন্টেষ্ট অসি ত্রাইবেলশিংগী ইনাকখুল্লবা নাট অমসুং চৎনবীবু উৎথোক্নবা পান্দমনি অমসুং মসি গভর্ণমেন্ট ওফ উরিষ্যাগী সেদ্যুল কাষ্ট এন্দ ত্রাইব দিপার্টমেন্ট অমসুং ষ্টেট তুরিজম দিপার্টমেন্টনা মতেং পীবনি।




লৈবাক অসিগী অকোয়বদগী তোঙান তোঙানবা ত্রাইবশিংগী মহুৎ শিল্লদুনা কন্টেষ্ট অসিগী ফাইনেল রাউন্দা কন্টেষ্টতা নুপীমচা ২০ দা উটকল মান্দপতা মখোয়গী মতিক-মগুণ উৎখি।

ঐখোয়গী লৈবাক্কী ত্রাইবেল কলচর উৎথোকপা নেস্নেল লেভেল প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্তুনা ঐখোয়না ঙসি ঈতিহাস অমা শেম্লে হায়না কন্টেষ্টকী এৱার্দ কম্মিটিগী চীফ সেক্রেটরী জেনরেল ডাক্তর চিদংমিকা খাতুৱানা হায়খি। রাণি নৎত্রগা ক্যুইন অমা হায়বসি শুপ্নগী শক ফজবগী ৱা-খক নত্তে। ঐখোয়না ত্রাইবশিংগী মরমদা ৱা ঙাংবা মতমদা মখোয়গী ঈশৈ-জগোয়নচিংবগী খুথাংদা মখোয়বু ঐখোয়না মশক তাকই। কন্টেষ্ট অসিগী খুথাংদা ঐখোয়না মখোয়গী আইদেন্টিটি পীনবা হোৎনখি হায়না ডাক্তা কাতুৱানা মখা তাখি।

কন্টেষ্টকী ফাইনেলশিং খন্নবগীদমক জুন ২০ দা সেমি ফাইনেল রাউন্দ পাঙথোকখি। সেমি ফাইনেলশিং অদুগীদমক ত্রাইব খুদিংমক্তগী কম্ম্যুনিটি লীদরশিংনা কন্টেষ্টেন অমমম থারকখি অদুগা ফাইনেলগীদমক নুপীমচাশিং অদু মখোয়গী মহৌশাগী নাটকী ফিজেৎ-লৈতেংশিং শেৎলগা থোক্লকহনখি। মদুগী মতূংদা ৱাহৌদোক অমা পীবগা লোয়ননা ৱাহং পাউখুমগী রাউন্দ চৎখি।

ঈশৈ শকপা, জগোয় শাবা অমসুং লীলাগী শক্তমশিং উৎহন্দুনা মখোয়গী মনুংদা লোৎতুনা লৈরিবা মতিক-মগুণশিং অদু উৎথোকহনখি।

অহানবা ত্রাইব ক্যুইন কন্টেষ্ট অসিদা কোরাপুট দিষ্ট্রিক্টতগী পাল্লাবি দুরুৱানা ত্রাইবেল ক্যুইনগী ৱিন্নরগী লুহুপ উপখ্রে। পঞ্চামি মাঝিবু ফার্ষ্ট রন্নরস-অপ অমসুং রশমিরেখা হসদাহনা সেকেন্দ রন্নরস-অপ ফংখ্রে।

এৱার্দ ফংখ্রবা ত্রাইব ক্যুইন অহুম অসি লোয়নবা ত্রাইবেল কলচরগী মতাংদা পুথোক্কদবা অতেনবা মুভি অমদা শরুক য়াগনি। মুভি অদু মুম্বাইদা লৈবা প্রোফেসার অমনা পুথোক্কদবনি।

ঐগুম্বী ত্রাইবেল লৈশাবী মচা কয়া মপান্দা থোক্তুনা কোয়না চৎপা নৎত্রগা ইহৈ তম্বা য়াহন্দে। ক্রাউন্দ অসি ফংলবা মতূংদদি অতৈ মফমদা ঐনা খুদম অমা ওইহনবা ঙম্লগনি আশা তৌই। অমম্বদা থাজবশিং থাদোক্লগনি অমসুং মালেমবু মায়োক্লরগনি হায়না ত্রাইবেল ক্যুইল তাখ্রবী পাল্লাবি দুরুৱানা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1210**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | 9 | | | 8 | | | |
| | | | | 1 | 3 | 8 | | |
| | | | | | 4 | | | 2 |
| 2 | 7 | | | | | | | |
| | 4 | 8 | | | | 7 | | 6 |
| | | | | 7 | | 9 | 1 | |
| 4 | | 7 | | 9 | | | 8 | |
| | 9 | | 8 | | | | | |
| | 3 | | 1 | | | | | 4 |